ꯋꯥꯌꯦꯜ ꯀꯥꯇꯤ WAYEL KATI Evening Newspaper

# ৱায়েল কাতি

WAYEL KATI

Vol. 2, Issue 122 | RNI NO. MNMAN/25/A1111 | মালিয়াফম পালচা কুমশিং–৩৪২৪ | ইম্ফাল, মেরাগী ৩নি পানবা, ওক্টোবর ১৩, ২০২৬ ইং, লৈবাকপোকপা | মমল লুপা ২/–

# বি জে পিগী নুপী এম পিশিংনা অঙোমচা বিমোলগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা প্রসিদেন্ট উন্নদুনা তকশিনখ্রে

## ইন্দিয়াগী ময়োল লম্না লৈবাকসিগী নোর্থ–ইষ্টতা য়েংবা মীৎয়েং উখোকচরেঃ বিমোল

**ইম্ফাল ওক্টোবর ১৩ (ৱায়েল কাতি)ঃ** বি জে পিগী নুপী এম পিশিংগী মীহুৎ কাঙবু অমনা ঙসি রাষ্ট্রপতি ভাবনদা প্রসিদেন্ট দ্রোপদি মুরমুগা উন্নদুনা জে এন য়ুগী প্রোফেসারসু ওইরিবা কোংগ্রেসকী এম পি অঙোমচা বিমোল অকোইজমগী মথক্তা সেক্সুয়েল হরাসমেন্টকা মরী লৈননা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎপীনবা ৱাকৎ চেরোল পীশিনখ্রে।

প্রসিদেন্টকা উন্নখিবা মীহুৎ কাঙবু অদুদা লোক সভাগী এম পি কমলজিৎ সেহরাৱৎ, বান্সুরি স্বরাজ অমসুং মালবিকা দেবী লোয়ননা রাজ্য সভাগী এম পি এস থাংনোম কোনয়াগ অমসুং গিতা সাতিয়াসু য়াওখি। বি জে পিগী সেনিয়র লিদর রেখা শর্ম্মনা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্ফম লোইশঙ পুন্নমক্তা নুপী মহৈরোইশিংবু খুদোংথিবা নঙহন্দনবা মতিক চাবা থবক লৌখৎপিয়ু হায়না তকশিনখি।

প্রসিদেন্টকা উন্নরুরবা তুংদা বি জে পিগী ন্যু দিল্লিগী এম পি বান্সুরি স্বারাজনা কেংগ্রেসকী লুচিংবশিংনা মরাল লৈরবা এম পিশিং কনখৎতুনা থম্নবা হোৎনরে। বি জে পিগী নুপী ৱার্করশিংনা ঙরাংসু কোংগ্রেসকী হেদক্বাটর মনাক্তা খোঙচৎ অমা চৎতুনা সেক্সুয়েল হরাসমেন্টকী কেসতা চেন্নরিবা কোংগ্রেস এম পিগী মথক্তা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎকদবনি হায়না তকশিনখি।

নেসনেল কম্মিসন ফোর ৱুমেনগী চেয়রপার্সন ওইরম্বগা রেখা শর্ম্মনা হায়, মহৈ তম্বিবগী মীংদা নুপী মহৈরোই কয়াদা সেক্সুয়েল হরাসমেন্টকী থৌওং চথুদুনা লাক্লি। নহা ওইরিবী নুপী মহৈরোই কয়া মতম শাংনা অসিগুম্বা মখলগী চৈথেং ফঙদুনা লাক্লিবনি। নুপী মহৈরোইশিংদা তোঙান তোঙানবা ফিল্মগী ক্লিপ য়েংহল্লগা নাতৈ চাদবা ৱাহং হংবগী থৌওং অসি মমাংঙৈদগী চথুদুনা লাক্লুবনি। হন্দক্কী মতাং অসিদসু জে এন য়ুগী নুপী মহৈরোই ১১ দা সেক্সুয়েল হরাসমেন্ট চথখিবগী ৱাফম লৈবাক মীয়াম্না খঙনরে।

কোংগ্রেসকী লুচিংবশিংনা মরাল লৈরবা এম পিগী মথক্তা হৌজিক ফাওবা মখল অমত্তগী দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌখৎপা ঙমদ্রি। নুপীদা অহেনবা মতিক ময়াই পীগদবনি হায়বা খোল্লাউ কয়া লাউরিবা কোংগ্রেস পার্টিনা নুপী ওইবীশিংবু তুহৎপীবগী ময়েক শেংলবা খুদমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

জে এন য়ু এদমিনিষ্ট্রেসন্না প্রিভেন্সন ওফ সেক্সুয়েল হরাসমেন্ট (পি ও এস ঐচ) ফ্রেমৱার্ককী মখাদা অঙোমচা বিমোল অকোইজমগী মথক্তা এক্সন লৌখৎলকখ্রবা মতুংদা বি জে পিগী নুপী এম পিশিংনা প্রসিদেন্টকা উন্নদুনা হীরম অসিগী মতাংদা হেন্না মতিক চাবা এক্সন লৌখৎপিয়ু হায়না মেমোরেন্দম পীশিনখিবনি।

অমরোমদা দিল্লিগী জৱাহরলাল নেহরু য়ুনির্সিটি (জে এন য়ু)না সেক্সুয়েল হরাসমেন্টকী মরাল শীরক্লিবসি অৱাং নোংপোক লমদমগী মীওইদা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না করম্না মীৎয়েং য়েংলিবগে হায়বদু ময়েক শেংনা উৎথোকচবনি হায়না ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মেম্বর অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা ফোঙদোকখ্রে।

কেস অসিগা মরী লৈননা এফ আই আর রেজিষ্টর তৌখিবগী থৌওংবু তরাম্না ওক্লদুনা মহাক্না হায়, য়ুনিভর্সিটিদা চিন্দা পাউদানবগী মহুৎতা কোর্টনা কেস অসিগী অচুম্বা ৱায়েল অমা শোয়দনা পীরক্লগনি। য়ুনিভর্সিটিগী ওথোরিটিদা মহৈরোই খরনা ৱাকৎলকখি হায়বগী মতাংদা মহাক্না হায়, অপুনবা মহৈরোই ৯৭কী মনুংদা নুপা য়াওনা মহৈরোই ১৫না ৱাকৎলকই হায়না ফোঙদোক্লিবসি মরম চাবা ৱাংলি। নুপা মহৈরোইশিংনা পি ও এস ঐচ এক্টকী মখাদা সেক্সুয়েল হরাসমেন্টকী ৱাকৎ পুখৎলকই হায়বসি তাবদা ঙক্লা থোকই।

হৌজিক্তি ৱাফম অসি কোর্ট য়ৌরক্লবনিনা অথুবা মতমদা অচুম অরান শোয়দনা খঙবা ঙল্লগনি। য়ুনিভর্সিটিনা মতম কয়াগী মমাংদগী চথুদুনা লাকপা অরানবা থৌওংশিংসু মীয়াম পুন্নমক্তা খঙহনবা ঙল্লগনি। পোলিটিকেল পৱার পায়রিবা লৈবাক অসিগী মীওইশিংনা অৱাং নোংপোক লমদমদগী লাকপা মীওইদা করম্না মীৎয়েংনা য়েংলিবগে হায়বদু ময়েক শেংনা খঙনবা ঙল্লে। করিগুম্বা ময়োল লমদমদগী মতিক ময়াই লৈবা মিনিষ্টর, এম পি নত্রগা এম এল এ ওইরম্বা তারবদি জে এন য়ুগী ওথোরিটিনা অসিগুম্বা মখলগী থৌওংশিং চথবা ঙল্লমগদ্রা হায়বসি খন্ননিংঙাই ওইবা ৱাফম অমনি।

# ‘কোক য়াওদনা অশিবা হকচাং মথৌ মঙম পাঙথোকপা য়াদে’

## ককখ্রবা মকোক শিন্নৌ হায়বা দিমান্দ কনখৎলক্লে মকোক ফঙদ্রি ফাওবা হকচাং লৌরোইদৌরি

**ইম্ফাল ওক্টোবর ১৩ (ৱায়েল কাতি)ঃ** ওক্টোবর ১০দা কাংপোকপি দিষ্ট্রিক্টকী মকুই ভিল্লেজতা কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা মঙক কক্তুনা হাৎখ্রবা নাগা অমগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা ককখ্রবা মকোক খুৎশিন্নরক্ত্রিবা ফাওবা থৱাই য়াওদ্রবা হকচাং লৌখিরোই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা হায়খি মদুদি, মকোক য়াওদনা অশিবা হকচাংগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপা নাংকী মতুং ইন্না য়াদে। ইম্ফালগী তমেংলোং রোদকী লিয়াংমাই নাগাশিংনা খুন্দাবা মকুই ভিল্লেজতা এটেক চথুদুনা নাগা ৩ হাৎখি। নাগা ৩গী মনুংদা আর অজিনপৌ কৌবা মীওই অমদি মঙক কক্তুনা হাৎখিবনি। লৈখিদ্রবা মীওই অহুমক্কী থৱাই য়াওদ্রবা হকচাং জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিম্‌স)কী মোর্গতা পুরকখ্রবনি।

লৈখিদ্রবা অজিনপৌগী ময়াম্বা আর ষ্টোন্সননা হায়খি, ককখ্রবা মকোক শীন্নরক্লবা মতমদা থৱাই হকচাং লৌগনি। মকোক য়াওদবা হকচাং লৌবা ঙল্লোই। মকোক য়াওদ্রবদি অশিবা হকচাং অদু ইনাওনুপাগীনি হায়বা চপ চানা খঙবা ঙল্লোই। হকচাং অদু অতোপ্পা কনাগুম্বা মীওই অমগী ওইরম্বসু য়াই। মমাংঙৈদগী চৎনদুনা লাকপা নাৎকী মতুং ইন্না মকোক য়াওদবা অশিবা হকচাং লৌবা য়াদে। ককখ্রিবা মকোক শীন্নরক্লবা মতম খক্তদা থৱাই য়াওদ্রবা হকচাং লৌরগা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্কনি হায়খি।

জোইন্ট ত্রাইব কাউন্সিল (জে টি সি) মণিপুরগী ৱার্কিং কম্মিটিনসু থাংজ নুমিৎতগী হৌরগা পুং ৪৮গী মনুংদা অককপা মকোক শীজন্নরক্লবা মতম থাখ্রবনি। সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সূ) এগ্রিমেন্টকী মরুম থুপ্পা হিংলিবা কুকি মিলিটেন্টশিংনা ককখিবা অজিনপৌগী অককপা মকোক পুং ৪৮গী মনুংদা শীন্নরক্কদবনি হায়না জে টি সিনা মতম থাখি। লোয়ননা মীহাৎ অসিদা চেন্নরিবা থাংবোই কিপগেন, দেবিদ হংসিং অমসুং সাইলেন হাওকিপনচিংবা কুকি মিলিটেন্ট লুচিংবশিং ফারগা লোগী মতুং ইন্না মতিক চাবা এক্সন লৌখৎকদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মরক অসিদা অৱাবা তারবা তানফম অসিদা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী মায়কৈদা লেপতুনা থেংনরিবা পুন্নমক্কী মফমদা মকুই ভিল্লেজ ওথোরিটিনা তৌবিমল খঙবা ফোঙদোরক্লি।

ভিল্লেজ ওথোরিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, অৱাবগী মশক ফঙলবা থৌদোক অসিগী পাউদম মীয়ামদা শন্দোক্তুনা লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিংমক্তা ময়েক শেংনা খঙহনখিবগীদমক মেদিয়াগী শিনফমদা থবক তৌরিবা পুন্নমক্কী মফমদসু তৌবিমল খঙবা উৎলি। সেন্ট্রেল রিজার্ভস পুলিস ফোর্স, অসাম রাইফল্‌স অমদি মরী লৈনবা পুলিস পার্সোনেলশিংনা মতেং পাঙলকখিবগী মতাংদা থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা জেনিম্‌সকী মোর্গতা লাক্তুনা ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াখিবা মীপুম খুদিংমক্কী মফমদসু ভিল্লেজ ওথোরিটিনা তৌবিমল খঙবা উৎলক্লি। ককখ্রবা মকোক খুৎশিন্নহন্নবা অমসুং মীহাৎ অসিগী অচুম্বা ৱায়েল ফঙহন্নবা হোৎনবদা মীয়াম্না মখা তানা অঙন্বা থাক্তা মতেং পাংবিয়ু হায়না ভিল্লেজ ওথোরিটিগী মায়কৈদগী অপিল তৌরক্লি।

### উথারগা হৌহন্নবা হোৎনদ্রবদি থারুবগী কান্নবা লৈতেঃ রোম

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (ৱায়েল কাতি)ঃ** শেল্লোই লাংমাই চীংদা রাইট্‌স ওফ মণিপুর (রোম)গী থৌমীশিংনা হান্না থারম্বা উ চারাশিং নিংথিনা হৌরিব্রা য়েংশিনবগা লোয়ননা হৈ পাম্বী খরসু নৌনা থাখ্রে হায়না রাইট্‌স ওফ মণিপুরগী মেদিয়া কোওর্দিনেটর একেন খুরাইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। মখা তানা হায়, হৌরবা অনৌবা উ পাম্বীশিংগী মখোঙদা শোংজিল্লম্বা নুপীশিং নিংথিনা শেংদোকপগা লোয়ননা শা–ষননা শোকখিদনবা নৌনা অমুক চৈঙাকশিং হাপচিনবগী থবক মপুং ফানা পাঙথোকখি। উচেকশিংনা চাজনবা চেঙ, হৱাই, হৈনচিংবা মফম চাবা য়েংদুনা থাদোকখি হায়না চেরোলসিনা হায়রি।

ৱায়েল কাতিগী ওফিস ক্বাকৈথেল থিয়াম লৈকায়দা হোংজরে

### বি এস এফকী দি জিনা চীফ মিনিষ্টর খেমচান্দগা উন্নখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (ৱায়েল কাতি)ঃ** বোর্দর সেক্যুরিটি ফোর্সকী দাইরেক্টর জেনরেল প্রভিন কুমারনা ঙসি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দ সিংহগা উন্নদুনা ষ্টেট অসিগী হৌজিক ওইরিবা লো এন্দ ওর্দরগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে।

নৌনা ইরাং থোরক্তুনা মমাং চয়োলদা মীওই ৯ হাৎখ্রবা মতুংদা প্রভিন কুমারনা বাবুপারাদা লৈবা সিএম সেক্রেটরিয়েটতা চৎতুনা চীফ মিনিষ্টরগা ৱারী শান্নখিবনি। ৱারী শান্নবা অদুদা বি এস এফ ইষ্টর্ন কম্মান্দগী এসিষ্টেন্ট দাইরেক্টর জেনরেল সুমিট সরন অমদি বি এস এফ ফ্রন্টিয়র হেদক্বাটরগী ইন্সপেক্টর জেনরেল রবি কান্তসু শরুক য়াখি। বি এস এফনা বোর্দর ঙাকপগী মথক্তা ইং তপ্পা ফিভম হঞ্জিলহন্নবগী মতাংদা লৌরিবা থৌদাং চীফ মিনিষ্টরনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

### গ্লোবেল মণিপুর ফেন্দরেসননা বিমোল অকোইজম শৌগৎখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (ৱায়েল কাতি)ঃ** গ্লোবেল মণিপুর ফেদরেসন (জি এম এফ) না ইন্নর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মেম্বর অঙোমচা বিমোল অকোইজমবু শৌগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

ফেন্দরেসন অসিনা থোকপা ৱারোল অমনা হায়, জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটিনা প্রোফেসার বিমোল মফম লৌথোকখিবগী থৌওং অদু মণিপুর মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তনি। শাংলবা চহী কয়া প্রোফেসার বিমোলনা মহৈরোইশিং তাকপি তম্বিবগী মথক্তা মণিপুর খুন্নাইগীদমক লৌরিবা থৌদাং থৌশাদবনি। মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা কাঙলুপকী ইরাং অমসুং হ্যুমেনিটরিয়ান ক্রাইসিস অসিদগী মীৎয়েং নাথৈনবা হোৎনদুনা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। য়ুনিভর্সিটিগী এদমিনিষ্ট্রেসন্না চৎন–কাঙলোনশিং ঙাক্না চৎপা মথৌ তায়। কাঙলোন ঙাকখিদে হায়বসি য়ুনিভর্সিটি অসিগী টিচর্স এসোসিয়েসন্না ফোঙদোরকখিবা ৱাফমদুদগী ময়েক শেংনা খঙবা ঙল্লে।

### এম এস এফকী মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল ওক্টোবর ১৩ (ৱায়েল কাতি)ঃ** মণিপুরী ষ্টুদেন্ট ফেন্দরেসন (এম এস এফ) লিংখৎখিবগী ২৮ শুবা মপোক কুমওনগী থৌরম ক্বাকৈথেল থৌনাওজম লৈকায়দা লৈবা লুপ অসিগী লোইশঙদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপুনবা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট সোরাইসম মর্চা লৈমা, অমুকোগী প্রসিদেন্ট সোরোখাইবম সঞ্জয়, টি ঐচ এল দি এগী প্রসিদেন্ট ডাঃ লমাবম মহেন্দ্র, কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুরগী সেক্রেটরি খুন্দ্রাকপম অশিকুমার, এম এম এফকী এদমিনিষ্ট্রেটর মোইরাংথেম বিনোদনচিংবনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা মেম্বরশিং অমদি লুপ অসিগী থৌমীশিংগা লোয়নন লুপকী ফিরাল চিংখৎখি।

থৌরমগা মরী লৈননা এম এস এফকী অচৌবা থৌদাং লৌবিরম্বা লৈখিদ্রবা এম এস এফকী থৌমীশিংগী মফমদা হৈ–লৈ কউতনা ইকায় খুম্নবা উৎখি। মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্পসু পাঙথোকখি।

এম এস এফকী প্রসিদেন্ট হিজম রোশননা হায়, লমদম অমা শক তাকপদা লমদম অদুগী লোন অমদি নাৎনা চাওরবা থৌদাং কয়া লৌরি। মালেমগী তেঙ্গন তেঙ্গনবা মফমশিংদা ঐখোয়গী লমদম অসি মশক তাক্লবা হোৎনবদা ঐখোয়গী মণিপুরী লোল অমসুং নাৎপু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা থবক কয়া পায়খৎপা চঙই। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা স্কুল অমদি কলেজশিংদা মহৈরোইশিংবু মহৈ–মশিং তম্বিরিবা ওঝা অৱাৎপশিং মেনখৎনবা লৌবা ইন্টিরভ্যুশিংদা মণিপুরী লোল অসিগী মতাংদা করিগুম্বা মফম অমত্তা পীদে, মণিপুরী ওফিসিয়েল লেঙ্গুইজ এক্ট ১৯৭৯ মথৌ পাঙথোকপা ঙমদ্রি।

### পুং ১২গী শটদাউন লাউথোকখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (ৱায়েল কাতি)ঃ** ওক্টোবর ১৫ অসি ব্লেক ডেনি হায়না ওবজার্ভ তৌদুনা পুং ১২গী টোটেল শটদাউন তৌরগনি। নুমিৎ অসিগী অয়ুক পুং ৬ তগী হৌরগা নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা মণিপুর পুম্বা টোটেল শটদাউন লাউথোক্লে হায়না আইন্না থিংখ্রবা কে সি পি–অপুনবগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি পুন্সিরোল মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, টোটেল শটদাউন অসিদা নিউজ–মেদিয়া, ৱাতর সপ্লাই, ফাইয়র সার্ভিস, মেদিকেল ইমর্জেন্সি, ইসেন্সিয়েল সার্ভিসশিং অমসুং লাইনিং লাইশোনগা মরী লৈনবশিংদা খঙহল্লি। মখা তানা হায়, চহী লিশিং ২ হেন্না নিংখা তম্বা অমদি ইশাগী লৈঙাক্লোন লৈজবা ইরমদম কংলৈপাক অসিবু ইন্দিয়ানা নম্ফু–শাফুন্দা ইং ১৯৪৯গী ওক্টোবর ২১দা খুৎয়েক পীনখিবা ঐখোয়গী নিংতম্ববু লৌশিনখিবনি। নুমিৎ অসিদগী ইরমদম কংলৈপাক অসিবু ইন্দিয়াগী ফিবানুংদা তিল্লে হায়বসি ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দা লাউথোকখি। হায়রিবা নুমিৎ অসিবু তরাইনা লৌফম থোক্তে। ইশাগী নিংতম্বগী হক, হিংবগী হক পুন্নমক মৎখিবা ওক্টোবর ১৫ অসিবু ব্লেক ডেনি হায়ন ওবজার্ভ তৌদুনা লাক্লি হায়রি।

### প্রিপাকনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (ৱায়েল কাতি)ঃ** হৌখিবা ওক্টোবর ১২ লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুংথিল পুং ৩ তাবদা প্রিপাককী লাম্মী শঙলুপ রেদ আর্মিগী সর্জেন্ট মেজর ভালুই মুইভাপম এলাইজ তোম্বা (৩৬) হকচাংগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা মতম খরা লায়েংলম্লবা মতুং কনবা ঙমদনা পুন্সিগী অরোইবা য়াহিপ তানখ্রে। মেজর অসিনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা প্রিপাক অমসুং মসিগী লাম্মী শঙলুপ রেদ আর্মিনা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি হায়না আইন্না থিংখ্রবা লুপ অসিগী পব্লিসিটি ওফিসার, দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা মঙাল খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, লৈখিদ্রব রেদ আর্মিগী কাদর সর্জেন্ট মেজর ভলুই মুইভাপম এলাইজ তোম্বা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা সনাকৈথৈদা লৈবা ঙাথিংবম (৬৬) অমসুং মচল (২১) না পোকচবা মচিল মনাও নুপা ২, নুপী ৩গী মনুংদা মহাক্না নুপা অতোনবনি। অথৌবা অসিনা লৈখিদবদা প্রিপাক অমসুং রেদ আর্মিনা অৱাংবা থাক্তা ইকায় খুনবা পীজবগা লোয়ননা ইমুং–মনুং, শাগৈ–নাতৈ অমদি মরুপ–মপাংশিংনা থেংনহৌরিবা অৱাবদা শরুক য়ারি হায়রি।

### এৱার্নেস প্রোগ্রাম ওন এন আর সি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (ৱায়েল কাতি)ঃ** ঙসি কসোম সব–দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা খল্লাং ভিল্লেজকী খল্লাং কম্যুনিটি হোলদা কসোম খুল্লেন সব–দিভিজন ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন (কে কে এস দি এস য়ু) না শীন্দুনা ‘এৱার্নেস প্রোগ্রাম ওন এন আর সি’ প্রোগ্রাম অমা ‘অন্দষ্টের্ন্দিং সিতিজেনশিপ, দোকুমেন্টেসন এন্দ অৱার রাইট্‌স হায়বা থিমদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী প্রোগ্রাম অদুদা মিষ্টর ত্রিমসন সকা চান্দেল নাগা পিপল্‌স ওর্গনাইজেসন (সি এন পি ও), ৱার্কিং কম্মিটি, কনভেনর ডাঃ এল ফাওমৈ কনভেনর য়ু জেদ সি সি, জিতেন্দ্র নিঙোম্বা কনভেনর জে এফ দি মণিপুর, সুনিল করাম ফাইনান্স সেক্রেটরি জে এফ দি, কাংজম মহারাবি সেক্রেটরি আই পি আর, জে এফ দিনা প্রসিদিয়ম মেম্বর অমদি ৱাঙাংলোই ওইনা শরুক য়াখি। ঙসিগী থৌরম অসিগী কিনোট পীবদা এন আর সি অসি ১৯৫১ দা বেজ ইয়র ওইরগা অপদেসন তৌবা মতমদা ঐখোয়দা কান্নগদ্রা, কান্নরোইদ্রা অমদি মতৌ করম্না তৌগদ্রা হায়বগী মতাংদ পুন্না খঙমিন্নবা পাঙথোকপনি হায়না ফোঙদোকখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা কসোম খুল্লেন সব–দিভিজনগী মনুংদা লৈবা অপুনবা ভিল্লজ ৪৪গী মনুংদা ভিল্লেজ ৩০গী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখি।

### য়ুক্রেনগী ন্যুক্লিয়র ফেসিলিটি ৬তা রসিয়ানা নোংথক্তগী এটেক চথরকখ্রে

মপাল্লমগী পাউ

**কিব, ওক্টোবর ১৩ (ৱায়েল কাতি) ঃ** য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা য়েংথিনরিবা লৈবাক অনিগী মরক্তা সিজফাইয়র এগ্রিমেন্ট খুৎয়েক পীনরে হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা রসিয়ানা য়ুক্রেনগী মরুওইবা ইনর্জি ফেসিলিটি ৬তা এটেক চথখ্রে।

য়ু এস প্রসিদেন্টনদি সিজফাইয়র অদু খুদক্তগী চৎনবা হৌরে হায়না লাউথোকখি। অদুমওইনমক য়ুক্রেনগী মরুওইবা গ্যাস ষ্টেসন ৪, ইনর্জি ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং অতৈ মরুওইবা ফেসিলিটিশিংদা রসিয়ানা নোংথোক্তগী এটেক চথরকখিবনি হায়না য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট ভোলোদিমির জেলেন্সকিনা ফোঙদোকখি।

রসিয়াগী এটেক অদুদা চাউরাক্লা মীওই ৩৩ রোম অশোক অপন নঙহনখি। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতসু দারনিৎস্কি দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মথোল ২৫ ৱাংবা রেসিদেন্সিয়েল বিল্ডিং অমদা দ্রোন এটেক চথরকখি হায়না কিবকী মেয়র ভিতালি ক্লিটচকোনা সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমনা ফোঙদোকখি। থা কয়ামরুম য়ুক্রেন অমসুং রসিয়াগী মরক্তা অকনবা লান শোক্লদুনা লাকখিবগা লোয়ননা মরুওইবা ইনর্জি ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অমাঙ–অতা থোকখিবদগী লৈবাক অনিমক্তা ইনর্জিগী সপ্লাই ফঙদবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা লান শোক্লরিবা লৈবাক অনিগী মরক্তা সিজফাইয়র এগ্রিমেন্ট খুৎয়েক পীনহন্নবগী মতাংদা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিবু য়ু কেগী প্রাইম মিনিষ্টর এনদি বর্নহেমনা মপুং ফানা শৌগৎখি। অদুমওইনমক য়্যুরোক লৈবাকশিংগী মরক্তগী য়ানিংবা অমসুং য়ানিংদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরকখি।

### ৱাহুল গান্ধীগী মথক্তা ক্রিমিনেল দিফেমেসনগী ত্রাইয়েল ষ্টে তৌখ্রে

**ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৩ (ৱায়েল কাতি) ঃ** প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু হুরানবগী লুচিংবনি হায়রুবগীদমক কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীগী মথক্তা চথরকপা ক্রিমিনেল দিফেমেসন কেসকী ত্রাইয়েল সুপ্রিম কোর্টনা মতম খরগী ওইনা ষ্টে তৌখ্রে। বোম্বে হায় কোর্টনা ক্রিমিনেল দিফেমেসন কেস অমা লৌখৎলকপগী থৌওং শীংনরদুনা রাহুল গান্ধীনা সুপ্রিম কোর্টতা পিটিসন অমা ফাইল তৌরকখিবনি। জষ্টিস বিক্রম নাথ অমসুং জষ্টিস অপরেশ কুমার সিংহগী বেঞ্চনা হীরম অসিগী মতাংদা নোটিস অমা থোকখিবগা লোয়ননা চয়োল ৪গী মনুংদা পাউখুম পীরক্লবা খঙহনখি। রাহুল গান্ধীগী মথক্তা কমপ্লেন ফাইল তৌরকখিবা বি জে পিনা লুচিংবা অমনা হায়, লৈবাক্কী লুচিংবা অমগী মীংচৎ থিবা ৱাফম ফোঙদোকপগীদমক রাহুলগী মথক্তা এক্সন লৌখৎকদবনি।

# নুংশা মঙালনা স্কিন কেন্সর, ঙৌদোং ওইহল্লকপা য়াই ঃ রিসার্চর

**ন্যু দিল্লি ওক্টোবর ১৩ (ৱায়েল কাতি)ঃ** নোংমগী ঙাইহাক নুংশা য়াইবনা হকচাংদা ভিটামিনগী শরুক খরা ফংহনবা ঙল্লবসু মতম শাংনা নুংশা মঙালনা য়ৈরবদি খুদোংথিনিংঙাই ওই হায়না অখঙ অহৈশিংনা ফোঙদোকখ্রে।



বেন্দ্রদা লৈবা ডাঃ অগরৱাল আই হোস্পিটালগী ওফথালমোনোলোজিষ্ট ডাঃ সক্সিলালৱানিনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না নুমিৎ খুদিংগী মিনিট ১৫ দগী ২০ ফাওবা নুংশা য়াইবা মতমদা হকচাংনা মথৌ তাবা ভিটামিন দিগী শরুক ফংবা ঙম্মী। অদুম ওইনমক কা হেন্না নুংশা য়ৈরবদি নুংশাগী মঙালদা য়াওবা অল্ট্রভাইওলেট রে না মরম ওইরগা স্কিন কেন্সর ওইহল্লকপগা লোয়ননা ঙৌদোং থুংহল্লকপা য়াই। মসিগীসু মথক্তা মেক্যুলর দিজেনরেসন অমদি ওটো ইম্যুন দিজিজ ওইহল্লকপা য়াই হায়রি।

অল্ট্রাভাইওলেট রে মখল অহুম শুই হায়রদুনা রিপোর্ট অমনা হায়, অল্ট্রাভাইওলেট ‘এ’, অল্ট্রাভাইওলেট ‘বি’ অমসং অল্ট্রাভাইওলেট ‘সি’ হায়না মখল অহুম থোক্লা লৈবগী মনুংদা খ্বাইদগী খুদোংথিনিংঙাই ওইরিবসি অল্ট্রাভাইওলেট ‘সি’ নি। অদুবু ওজোন লয়ারনা খঞ্জিন্দুনা থম্বা মরমনা হায়রিবা অল্ট্রাভাইওলেট মখল অসি পৃথিবীগী লমায় য়ৌরকপা ঙমদে। অল্ট্রাভাইওলেট ‘এ’ অমসু ‘বি’ দি পৃথিবীগী লৈমায় য়ৌরকপগা লোয়ননা মীওইবগী উনসা, মীৎ অমসুং ইম্যুন সিষ্টেমদা চাউনা অমাঙ অতা থোকহনবা ঙম্মী।

ডাঃ ললৱানিনা হায়খি, অল্ট্রাভাইওলেট রে না স্কিন কেন্সর, কেটরেক, আই কেন্সর ওইহল্লকপগা লোয়ননা মীৎ তাঙহল্লকপা য়াই। চহী নৌরিবা অঙাংশিংদা য়ারিবমখৈ অল্ট্রাভাইওলেট রেনা য়ৈহন্দনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। আমেরিকান প্রসিদেন্ট ওফ পেদিয়াত্রিক্কী রিকমেন্দেসন মতুং ইন্না পোকপা কুইদ্রিবা অমসুং চহী নৌরিবা অঙাংশিংদা নুংশাগী মঙল য়ৈহনবগী মহুৎতা ভিটামিন দি সপ্লিমেন্ট চাদুনা শরুগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনগদবনি। থা ৬ শুদ্রিবা অঙাংশিংদি য়ারিবমখৈ নুংশাগী মঙালদা পুথোক্লোইদবনি হায়রি।

নুমিৎ খুদিংগী নুংশা মরক্তা থবক শুরিবা অমসুং চৎথোক চৎশিন তৌরিবা মীওইশিংগী মতাংদা রিপোর্ট অমনা হায়,মতম শাংনা নুংশাগী মঙালনা য়ৈরবদি মীৎ শোকহনবগা লোয়ননা ঙৌদোং থুংহল্লকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ। কনাগুম্বনা নুংশা মরক্তা থবক ইনখাং চৎথোক্লে হায়রবদি সন গ্লাস অমসুং তুপ্পী অফনবা উপ্পুনা মীৎ অমসুং মায়দা নুংশা মঙালনা হকথেংননা য়ৈহন্দনবা হোৎনগদবনি।

অতৈ অতোপ্পা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংগী মতাংদা রিপোর্ট অমনা হায়, নুংশা মরক্তা থবক চৎথোক্কদবা লৈরবদি মিনিট ৩০ ৱাৎলিঙৈদা অফবা মখলগী সনস্ক্রিন লোসন তৈগদবনি। নুমিৎ য়ুংবা মতমদগী হৌরগা নুংথিল পুং ৪ ফাওবা নুংশাগী মঙালনা হকচাংদা য়ৈহনবা খুদোংথিনিংঙাই ওই। কালেন থা ওইরবসু হকচাংগী মফম শীনবা থুংনা কুপ্পা ফিরোল শেৎপগী তঙাইফদবা লৈ। কনাগুম্বনা নোংমঙই হায়দুনা থবক ইনখাং চৎথোকপদা সনস্ক্রিন তৈদবা য়াওই। নুংশাগী মঙালনা লৈচিল ফাওরগা হকচাংদা য়ৈবা মতমদা খুদোংথিবা কয়ামরুম থোকহল্লকই য়াই হায়না রিছার্চর টিম অমনা থিজিনবদগী খঙবা ঙল্লে।

# উবগী পাঙ্গল ৱাৎলবা খনগৎলবা কোল্লর ১৬তা ৱাহোং রেডিওনা অঙম্বা মতেং পাঙখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (ৱায়েল কাতি) ঃ** ৱাহোং রেডিও অমদি ডাইমন্দ টি ভি খোংজোমনা চেন্নেল অসিবু তাবিবা অমদি থৌরমশিংদা শরুক য়াবিবা, উবগী শক্তি ৱাৎলবা কোল্লর ১৬ খনগৎতুনা মখোয়বু পুক্লিং থৌগৎপা ওইনা অনিরকশুবা ব্লাইন্দশিংগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।



থৌরম অদুদা ব্লাইন্দশিংগা ৱাহোং রেডিও ডাইমন্দ টি ভিগী মেনেজিং দাইরেক্টর জেম্‌স হৈক্রুজমগা ইন্টরেক্সন তৌনদুনা অৱা নুংঙাই ৱারী শান্নদুনা করম্না মীৎ উদবা, মসিগী অৱা অনাগী মতাংদ ৱারী শান্নখি অমদি মখোয়গী টেলেটন্টশিং উখোক্তুনা অচম্বা চাক্লেন অমা চামিন্নরগা ব্লাইন্দ অমমমদা লুপা লিশিং ২ /২গা ব্লাঙ্কেট অমমমগা পীদুনা হরাও নুংঙাইনা থৌরম অসি পাঙথোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা জেম্‌স হৈক্রুজমনা শরুক য়াবা লাকপা, মতেং পাঙবিরকপা খুদিংমকপু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা ডাইমন্দ টি ভি ৱাহোং রেডিওনা ময়ামগীদমক করিগুম্বা খরা তৌনবা হোৎনবদা তোঙান তোঙানবা মতেং পাঙবিরকপশিংবু ইকায় খুম্নবা উৎখি। থৌরমদুদা লেংবিরকপশিংগী মনুংদা আর কে উপেন্দ্রো, কিয়ামদগী ওল ইন্দিয়া রেডিওগী মীয়াম্না খঙবিবা লিষ্টনর, শেলগী মতেং চাওনা পাঙবিরকপশিংদা পদ্মশ্রী নামৈরাকপম কুঞ্জরানি, ৱাংখেময়ুম নন্দিনি সি আর পি এফ সেকেন্দ ইন কম্মান্দ, সুমিতা থোকচোম, খাঙেম্বম সোবিতা, তৌরাংবম ইবেমুর, কে এস ঐচ রাজেনকুমার, খেদাবতি কোন্থৌজম, অরিবম তোম্বিসনা, ইমাশি সোরোজিনি বিজয়গোবিন্দা, থোকচোম বিলাশিনি য়াওনা শেলগী মতেং পাঙলকখিবশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

## হয়েংগী নোংদম

১৪/১০/২০২৬

–এষ্ট্রো–কন্সল্টেন্ট হেম

- **মেষ** – ঙসিসু দাউ য়াবা নুমিৎ ওইদ্রি। মরুপ মপাং লোইনবদা হৈ–শিংঙু, লল্লোন ইতিক্তা শেল থাদখিনু।
- **বৃষ** – থবক তৌবদা মায় পাক্তবা, লন–থুম ময়েং তাবা পীবনা লল্লোন ইতিক্তা চেকশিনজবা ফৈ।
- **মিথুন**– অঙম অথৌশিংগী মীৎয়েং চঙবা, খুদোং থিবা তাবা য়াবা লৈবনা চেকশিঞ্জবা ফৈ।
- **কর্কট** – ৱাখল থোকপা, ইমুং মনুং পুকচেল তিন্নবা, দাও য়াবা নুমিৎনি।
- **সিংহ** – মচাক মরল ফংবা, মিংচৎ ফংবা মতম ওইরে। শেল থাদবা য়ারে।
- **কন্যা** – হকচাংদা তুরৈ ইরৈ চেনবা, ৱাখল লৌশিং থোক্তবা মতম ওই। হৈ শিংনা হোৎনজৌ।
- **তুলা** – পন্দুনা লৈবা শেল থুম ফংজবা, অঙম অথৌনা চানবীবা মতমনি। লল্লোনবদা কান্নগনি।
- **বৃশ্চিক** – ফিরাল মমাই চুম্বা মতমনি। থাজদনা নুংঙাইবা পাউ তাগনি। মায় পাকপা মতমনি।
- **ধনু** – থবক তৌজবা হোৎনজবদা অরেম্বা, শেল পুথবগী দষা পীরি।
- **মকর** – মরুপ মপাং কায়নবা, ইমুং মনুং মহি লাংবা, পোৎমাঙ চৈমাঙ পীরি।
- **কুম্ভ** – লন–থুম লেপচবা পুক্লিং ৱাখল ফগৎচবা মতমনি। লল্লোন–ইতিক্ত শেল থাদবা য়াই।
- **মীন** – পুক্লিংদা চরাংনবা লৈরম্বশিং কোল্লুগনি। লল্লোন ইতিক্ত শেল থাদবা কান্নগনি। ইমুং মনুং নুংশিননা লৈমিন্নগনি।

# এদিটৌরিয়েল

ইম্ফাল, মেরাগী ৩নি পানবা, ওক্টোবর ১৩, ২০২৬ ইং, লৈবাকপোকপা

## অঙাংশিংদা থবক হৈনবগী তঙাইফদবা

### থবক ফঙদবগী অৱাবা লৈহন্দনবা অঙাং ওইরিঙৈদগী থবক হৈহনসি

কুনমাথোই শুবা চহী চা অসিদা মালেমগী মফম পুন্নমক্তা মীওই কয়া অমা থবক ফঙদবগী ৱাকৎ হেনগৎলক্লি। অদুগা অমরোমদা মীওইবা ঐখোয়না শুবা নোমগদবা থবকশিং মেছিন নত্রগা অতৈ খুৎশু খুৎলায়শিংনা মহুৎ শীনখিবদগী মী শীজিন্নবগী চাং শাথিনা হন্থরক্লি। টেক্নোলোজিসু অসুম চাওখৎলকপনিনা খ্বাইদগী হেন্না ফবা, খ্বাইদগী হেন্না কান্নবা, শেল য়াম্না চঙদবা হায়রিবা মচাকশিং অসি থিরকপদা টেক্নোলোজিনা পীবা কান্নবশিংনা মহুৎ শিল্লক্লি। মসিদগী হেন্দোক্লদুনা হৌজিক্তি আর্টিফিসিয়েল ইন্টলিজেন্সনা তৌবা থবক ফাওবা অতোপ্পা কম্মান্দ ময়াম অমা শীজিন্নরগা এ আইনা তৌরিবা থবকশিং অদু য়েংশিনবা, লাল্লী, চুম্মী খঙদোকপা ফাওবা ঙম্নখ্রবনি। লৈবাক অমগী অতোপ্পা লৈবাক অমগা লান শেক্লবদা লান্মী ময়াম অমা থাজিন্নরম্বদু হৌজিক্তি লাল্লোং হোংখ্রে। অনমেন এরিয়েল ভেহিকল / দ্রোন শীজিন্নদুনা অমনা অমদা এটেক তৌনরে। অসিগুম্বা মখলগী দ্রোনশিং অসি মশা মথন্তা সুইসাইদ তৌজদুনা শিজবদগী হৌরগা জেট ইঞ্জিন পানশিন্দুনা তেল্লবা মতম খরগী মনুংদা থানিংবা মফমদা খুৎ থাবা ঙম্নরে। চহী নৌরিবা অঙাং ময়াম নত্রগা মপাঙ্গল শোল্লে হায়রিবা নুপী মচাশিং চবুন চবুন দ্রোন পায়বা, করম্না এটেক তৌবা হায়বনচিংবা তাকপি তম্বিদুনা মশামক লানফমদা চৎত্রগসু লান তৌবা য়াওরে। মসিনা লান্মীগী মশিং হন্থহনবা ঙম্লে। অদুগা ঐখোয় মীওইবা হায়বসিদি থবক লৈতবা য়াদে। লৈঙাক্লসু থবক পীদবা য়াদে। থবক লৈত্রবা, পীবদসু ঙমদ্রগদি মফম অদুদা লৈরিবা মীয়াম অদু পান্দম লৈত্রবা অশিবগী পাঙ্খক ওইবা মীওইনি হায়বা য়ারে। হৌজিক্তি মতমদদি লাইরিক য়াম্না ৱাংনা তম্লগা থবক ফঙগনি হায়বগী থাজবসু থম্বা য়াদ্রে। লাইরিক শুকহৈমক হৈতবসু য়াদ্রে। হিংবদা চঙলিবা মচাকশিং অদুদি ৱাখল লৌশিংনা চাবা য়ারক্ত্রে। মরমদি ৱাখল লৌশিং ফনা য়াম্না লৈরগসু থবক হৈত্রদি মঙোন্দা করম্না থবক পীগনি? অসুম্না ঙসিদগী চহী ২০গী তুংদা হৌরক্কদৌরিবা নহাশিং অদুনা করি শুগদগে, মখোয়না করি থবক পীগদগে হায়বসি অরুবা ওইরক্লে। মরম অদুনা ঐখোয়গী পীক্লিবা অঙাংশিং অসি লাইরিক তম্লিবনি হায়দুনা অখঙ-অহৈ খরনা শেন্বা পারা অদু খক্তং ফারগা খোঙচৎ অমা ওইনা চৎপা য়ারক্ত্রে। হৌজিক তৌরিবা মওং মতৌ অসিদি মমা মপা ওইবশিংনা মচাশিংবু অফবা মী ওইহন্নবনি হায়দুনা তুইসন তৌহনবা থাবা, কোচিং তৌহনবা, লাইরিক পাহনবনচিংবদা মীৎয়েং থল্লি। অদুগা অমরোমদনা অঙাং অদুনা লাইরিক্তু খিতং হৈননবা হোৎনদুনা লৈরগদি মাগীদমক কনানা চাক থোংগনি? কনানা ফি শুগনি হায়বা ৱাফম অদু থোরকই।

মালেমদা জপানগী ইকোনোমি অসি য়ু এসকী মথংদা কমদৌনা লৈবা ঙম্লিবনো হায়বসি নৈনবদা কান্নগনি। অনিশুবা মালেমগী লাঞ্জাওগী মতমদা থংনা থংননা এতোম বোম অনি থাদদুনা লৈখা তারুরবা জপানননা কমদৌনা ইন্দষ্ট্রিদা খ্বাইদগী চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইরকপা ঙমখিবনো হায়বসি নৈনবা কান্নগনি। লান্দা মায়থিরবা তুংদা য়ু এসনা জপানগী ওইবা লান্মী অমত্তা থমহনখিদে। জপান ঙাকপগী থৌদাং য়ু এসনা লৌখি। মালেমদা দিসিপ্লিন খ্বাইদগী লৈবা মথৌনাসু লৈবা, মরৈবাক্কীদমক্তা শিবা ঙম্বা লান্মী লিশিং কয়াদু কায়নথংদা লল্লোন ইতিক্কী থবক্তা মায় ওনশিল্লকই। ফাইটর জেট শারম্বা কম্পেনিশিং গাড়ী পুথোকপদা মীৎয়েং চঙলকই। মতৌ অসুম্না জপানননা তেল্লবা মতম খরগী মনুংদা শেন্মীৎলোনগী ফিভম শেমগৎচবা ঙমখিবনি। হৌজিকসু জপানগী অঙাংশিং লাইরিক তম্ননবা থাবা হৌবদা থৌগল্লোন খক্তমক তম্বী। মদুদগী তপ্না তপ্না ইমুং মনুংগী থবকশিং শুবা নোম্বা হায়বসি কোল-লিক করম্না ফেংগনি, তোইলেট করম্না শেংগনি, কমদৌনা চাক-ইনসাং থোংগনি হায়বনচিংবা তম্বী। ঐখোয়গী স্বাইদনা নঙনা লাইরিক লাইশু য়াম্না হৈরগা অচৌবা থবক তৌরগদি মশক ফজবা নুপী ফঙগনি, নুপী ওইরগনা অফবা নুপা ফঙগনি, শেল পায়গনি, ইমুং মনুং নুংঙাইনা হিংমিন্নবা য়াগনি হায়বসি অঙাংশিংদা চুহল্লি। অদুবু জপানগীদি নঙনা নরৈবাক্কীদমক শু নোমগদবনি। নঙনা তম্লিবা খুদিংমক নরৈবাক্কীদমক্তনি। নঙগী নরৈবাক নরমদম য়াইফবগনি হায়রগদি থৱাই থাবা পাম্মুরোইদবনি হায়বা ৱাখল্লোন অসিদা লাইরিক তম্বী। কয়াদা খেন্নে অনিসিগী পান্থুং। অমনা ইশাগী অতোপ্পা অমনা লৈবাক্কী। মসিদনি জপান অতোপ্পা লৈবাকশিংনা পাবা ঙমদ্রিবসিনি। মসিদসু নত্তনা চাইনাদা কমদৌনা লাইরিক তম্বী, অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা শিনফম অমমম হৈহন্নবা স্কুলদগী হোৎনরিবশিং অদু ঐখোয়না নৈনরোইদৌরিবনো? পীক্লিবা অঙাংশিংনা ইলেক্ট্রিক স্বিটচ করম্না পানগনি, গাড়ী করম্না শাগনি, টোর্চ লাইট করম্না ঙালহনগনি হায়বনচিংবা প্রেক্টিকেল ওইনা পাঙথোকহন্দুনা অঙাং ময়াম অমা তোঙান তোঙানবা শিনফমশিং হৈহল্লিবনি। অসিগুম্বা অঙাংশিং অসিদি লাইরিক তম্না তম্না শেল থোকপা য়াবা থবক ফঙলবনি। মখোয়না লাইরিক তম্বা তোক্লবা মতুংদসু শিনফম খরনা মরোমদোম হিংবা ঙমজরদবনি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি ঐখোয়গী মণিপুরদা অঙাংশিং লাইরিক তম্বীবগী মওং মতৌ অসি নৌনা শেমদোকপগী তঙাইফদবা লৈরে। মণিপুরদা নহা কয়ানা থবক ফঙদ্রে হায়দুনা তেংথারি। অদুগা বিহারদগী লাকপা ময়াং ময়াম অমনা মণিপুর অসি শুফম নোম্ফমনা পীক থনবা শেল তানবা নুংঙাইবা মফম্নি হায়না লৌনরি। ঐখোয়গী অঙাংশিংসু হৌজিক্তি শিনফম ময়াম অমা হৈহনবা য়াবা মখলগী এদুকেসন পীবদগী তঙাইফদবা লৈরে। মখোয়না থবক হৈরগদি মপাল লমগী মীওইশিংনা মণিপুরদা লাক্লগা থবক শুরিবসি মথন্তা তোকচখিগনি হায়জনিংই।

# নুমিৎ খুদিংগী ঈশিং মরাং কায়না থকপনা অরুম্বা হন্থহনবা ঙম্ব্রা?

ইনখৎলকপা মতমদা হকচাংগী অরুম্বা হেল্লবদি তুংগী পুন্সিদা খুদোংথিবা কয়ামরুম মায়োক্লরকপা য়াই হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙবা ঙম্লে। স্বিদেনদা লৈবা কেরোলিন্সকা য়ুনিভর্সিটিগী হেন্স হেগষ্ট্রৌম্না লুচিংদুনা চখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়, ইনখৎলকপা মতমদা কা হেন্না নোয়বা অমসুং লুম্বা মীওইশিং অহল ওইরক্লগা লিভর কেন্সর নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ। মসিদসু নত্তনা নন-অলকোহোলিক ফেট্টি লিভর দিজিজ (এন এ এফ এল দি), হেপাটাইটিস-বি অমসুং হেপাটাইটিস-সিনচিংবা লিভরগী অনাবা কয়া মায়োক্লরকপা য়াই। অহল ওইরক্লগা হকচাংগী অরুম্বা হেনবদগীদি ইনখৎলকপা মতমদা হকচাংগী অরুম্বা হেনবদা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা হেল্লি হায়বসু ষ্টদি অদুদগী খঙলকখি।

জর্নেল ওফ হেপাটাইটিসতা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টতা কেরোলিন্সকা য়ুনিভর্সিটিগী হেন্স হেগষ্ট্রৌমনা হায়, মালেমদা লৈরিবা মীওই অয়াম্বা হকচাংগী অরুম্বা হেনগৎলকপা মরম্না তোঙান তোঙানবা লিভরগী লায়না নাবগী চাং ৱাংখৎলকপনি। হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি মখা তানা অদুমক চখবা তারবদি কুমজা ২০৩০দা মালেমগী মীওই বিল্লিয়ন ২ হকচাংগী অরুম্বা হেল্লগনি অমসুং মীওই বিল্লিয়ন ১ রোম কা হেন্না নোইরগনি।

রিসার্চরশিংনা স্বিদেনগী মীওই লিশিং ৪৫দা চহী ৪০ চুপ্পা ষ্টদি চখরবা মতুংদা হায়, ইনখৎলকপা মতমদা হকচাংগী অরুম্বা হেনবা হায়বসি খ্বাইদগী খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থৌওংনি। মসিনা থোকহল্লকপা য়াবা খুদোংথিবশিংদি কোরোনরি হার্ট দিজিজ, হায় ব্লদ প্রেসর, ষ্ট্রোক, তাইপ-২ দাইবেটিস, এবনোর্মেল ব্লদ ফেট, মেতাবোলিক সিন্দ্রোম, কেন্সর, ওষ্টিওআর্থ্রাইটিস, স্লিপ এবনিয়া, ওবেসিতি, হাইপোভেন্টিলেসন সিন্দ্রোম, রিপ্রদক্তিভ প্রোগ্রাম অমসুং গোল ষ্টোননচিংবনি। হকচাংগী অরুম্বা হেনগৎলক্লিবমখৈ কোরোনরি হার্ট দিজিজ নারকপা য়াবগী রিস্ক হেনগৎলকই। কোরোনরি আর্টরিশিংদা অনপ্পা পোৎশক ময়াম পৈশিল্লকপগী থৌওংবু কোরোনরি আর্টরি দিজিজ হায়না খঙনৈ। মসিনা মরম ওইরদুনা হার্টতা ওক্সিজেন মরাং কায়না য়াওবা ঈ য়ৌহনবা ঙমদবদগী হার্ট এটেক, এঞ্জিনা নত্রগা হার্ট ফেল ওইহল্লকপা য়াই। হার্টতগী ঈ থাদোরকপা মতমদা ঈনা আর্টরিগী ৱালদা পীরকপা শাফু অদুবু ব্লদ প্রেসর কৌই। মতম শাংনা ব্লদ প্রেসর ৱাংদুনা লৈরবদি হকচাংগী কয়াৎশিং অমাঙ অতা থোকহল্লকই। হকচাংগী অরুম্বা অমসুং অনোইবা হেল্লবদি ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকপা য়াবগী রিস্ক হেনগৎলকই।

হকচাংগী অরুম্বা হেল্লবদি ঈগী উতোংদা অনপ্পা মপং-মপং পৈশিল্লক্তুনা ঈ ফমজিল্লকই। ব্রেন মনাক নক্না ঈ ফমজিল্লক্লবদি ব্রেনদা ঈ অমসুং ওক্সিজেন মরাং কায়না ফঙবা ঙমদবদগী ষ্ট্রোক তৌরকপা য়াই। হকচাংগী অরুম্বা হেল্লিবমখৈ ষ্ট্রোক তৌরকপা য়াবগী রিস্ক হেনগৎলকই।

হকচাংগী ব্লদ গ্লুকোস নত্রগা ব্লদ শুগর ৱাংখৎলকপগী থৌওংবু দাইবেটিস হায়না খঙনৈ। মীওইবনা চাশিনখিবা চীঞ্জাক পুম্নমক গ্লুকোস ওন্থোক্লগা হকচাংগী সেল পুম্নমক্তা য়েন্থোকই। সেলশিংনা ইন্সুলিন কৌবা হোর্মোন অমা শীজিন্নরগা গ্লুকোজ পুম্নমক ইনর্জিদা ওন্থোকই। তাইপ-২ দাইবেটিস নারবদি হকচাংগী শেলশিংনা ইন্সুলিন মওং তানা শীজিন্নবা ঙমদে। অহানবদা হকচাংদা ইন্সুলিন মরাং কায়না পুথোক্লম্বদগী অকোনবদা ইন্সুলিন পুথোরক্তবনা ব্লদ সুগর লেভেল কন্ট্রোল তৌবা ঙম্লক্তে। দাইবেটিসনা মরম ওইরদুনা মীওইববু ক্রোনিক হার্ট দিজিজ, ষ্ট্রোক, কিদনি দিজিজ, মীৎ তাংবা অমসুং মনুং-মতম চাদনা শিহনবা য়াই। তাইপ-২ দাইবেটিসনা নারবা মীওই অয়াম্বা হকচাংগী অরুম্বা হেল্লি।

কনাগুম্বা মীওই ১ হকচাংগী অরুম্বা হেল্লবদি ঈদা য়াওবা ফেটকী চাং ৱাংখৎলকই। খুদম ওইনা ত্রাইগ্লাইসরাইদ অমদি এল দি এল (ফৎতবা কোলেষ্টেরোল) ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা ঐচ দি এল (অফবা কোলেষ্টেরোল) হন্থরকই। মসিনা মরম ওইরদুনা ক্রোনিক হার্টদিজিজকী রিস্ক হেনগৎলকই। হকচাংগী অরুম্বা নত্রগা অনোয়বা হেনবদা কোলোন, ব্রেষ্ট, এন্দোমেট্রিয়েল অমসুং গোল ব্লদরদা কেন্সর নারকপা য়াবগী রিস্ক হেনগৎলকই। লোয়ননা খুউ, নিংজোল অমদি খ্বাংগী শরুক তাইনফমদা চৈনাখোল ফাওহল্লকপা য়াই। অনোয়বা মীওইশিংগী খৌরিদা ফেট য়াম্না পৈশিন্দুনা লৈরকপা মরম্না নুংশিৎ উতোং ফুঙ্গিল্লকপদগী তুম্লিঙৈদা ঙাইহাক ঙাইহাক নিংশা শ্বর হোনবা লেপ্পগী থৌওং মায়োক্লরকই। কা হেন্না নোয়বা নুপীদি থাগী খোংকাপ শোয়রকপা মরম্না মীরোনবা অমসুং অঙাং উনবদা খুদোংচাদবা মায়োক্লে।

অমরোমদা অনোয়বা মীওইশিংগী গোল ব্লদরদা নুঙ লৈরকপদগী কয়াৎ অসি মথৌ নিংথিনা তৌরক্তবা য়াই। পুম্নমক অসি য়েংলুরগা মীপুম খুদিংমক হকচাংগী অরুম্বা চপ চানা থম্বগা লোয়ননা কা হেন্না নোয়হন্দনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ।

## ওক্টোবর ১৫দা সোরেপানা টোটেল শটদাউন লাউথোকখ্রে...

হান্নগী মখা ... সোরেপাগী পব্লিসিটি এন্দ ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি এমসি য়াইফবীনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রিবনা,

ঐখোয়না নীংতম্লিঙৈদা ঐখোয়গী খুন্নাই অসি মালেমগী লৈশম মাইচৌশিংনা খঙখিব্রা হায়বগী মতাংদা পল্লিবনা মান্নবা খুন্নাইগী ৱাখল্লোন নৈনবগী মরু অসি মান্নবা খুন্নাই অদু শাগৎত্রিঙৈদা লৈবাক অদুনা করম্না নীংতম্না হিংলকপগে অমসুং হৌরকপগে হায়বসি নৈনবা চঙই। নীংতম্বা খুন্নাইগী ফুরুপলোন নৈনরকপদা কার্ল মার্ক্সকী মরুপ ফ্রাইদ্রিচ এঙ্গেলনা মহাক্কী মমিং লৈরবা খুন্নাইলোন নৈনবগী লাইরিক ''দি ওরিজিন ওফ দি ফেমিলি, প্রাইভেট প্রোপর্টি এন্দ ষ্টেট'' অদুগী ৪ শুবা খুৎনমদা ফোঙলকপগী চেপ্টর ৭, দি জেন্স এমং দি সেল্ট এন্দ জর্মন হায়বা পন্দুপকী নৈনরোল পীরকপদা মতমদুগী ইন্দিয়ান সব কন্টিনেন্টদা লৈবা মীওই কাংলুপ ৩ গী মমিং পন্দুনা খুন্নাইরোল নৈনরকপদা মণিপুর অসি মুনিপোরি হায়বা মীওই কাংলুপ ওইনা পল্লকপা থেংনরকখি। তশেংবদি ১৮ শুবা অমসুং ১৯ শুবা চহী চাদা মালেমনা মশক খঙলবা মীওইবগী হৌরক্লোন অমসুং খুন্নাইলোন নৈনবদা মাইচৌশিংনা ঙসিগী মণিপুর অসি মুনিপুর।

মনিপোর অদুগা মসিগী মীয়াম্বুনা মুনিপোরিস হায়না শিজিন্নৈ। মসি ১৮৮৪ গী অহানবা খুৎনমদা হাপ্পমদে। অদুবু ১৮৯১ গী ৪ শুবা রিভাইস এদিসনদা মসি হাপচিনবনি হায়না য়াম্না ময়েক শেংনা পল্লি। নীংতম্বা ফুরুপ অমগী খুন্নাইরোল নৈনরকপদা ফ্রাইদ্রিচ এঙ্গেলগুম্বা কার্ল মার্ক্সকা মান্নবা খুন্নাইগী সাইন্টিক ওইবা ৱাখল্লোন পুথোকমিন্নবা মীওই অমনা মণিপুরবু পল্লম্বা অসিনসু ঐখোয় অসি নীংতম্না পাল্লম্বা খুন্নাইনি হায়বদু তাক্লি। এঙ্গেলনা মহাক্কী লাইরিক অসিগী মচাক থিরকপা, নৈনবদা মতমদুগী মমিং লৈরবা ইথোগ্রাফরশিং, সোসিয়েল এন্থ্রোপোলোজিশিংগী অচৌবা মতেং লৌখি হায়বগী নৈনরোল লৈরি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায় মণিপুর এন্নেক্সেসন য়াদে হায়বা ফোঙদোকপা অমসুং মীনাই ওইবগী ৱাখল্লোনদগী নীংতম্বা হায়বা অসিগী মতাংদা হায়রক্লিবনা লৈবাক অমা মীনাই ওইরে হায়বসি মীচম মীয়াম পুন্না খঙমিন্নবা ৱাখল্লোন পুথোক্লকপশিংগী মনুংদা খুন্নাই লৈশেম মাইচৌশিং, ফ্রান্তান্স ফেনেন, অল্বার্ট মেমি অমসুং এম সিজরনচিংবগী মমিং পনবা য়াই।

মণিপুর এন্নেক্সেসন য়াদে হায়বা ফোঙদোকপা অমসুং মীনাই ওইবগী ৱাখল্লোনদগী নীংতম্বা হায়বা অসিগী মতাংদা হায়রক্লিবনা লৈবাক অমা মীনাই ওইরে হায়বসি মীচম মীয়াম পুন্না খঙমিন্নবা ৱাখল্লোন পুথোক্লকপশিংগী মনুংদা খুন্নাই লৈশেম মাইচৌশিং, ফ্রান্তান্স ফেনেন, অল্বার্ট মেমি অমসুং এম সিজরনচিংবগী মমিং পনবা য়াই। ঐখোয় মীচম মীয়াম পুন্না খঙমিন্নবা য়াবা ৱাফমদি মীখা পোল্লবা, মপাঙ্গল লৈরবা লৈবাক অমনা লোয় চনশিন্দুনা থম্বীরবা লৈবাক অমদি মদুগী মীচম মীয়ামদা লৈরিবা পুন্সিরোলগী লিচৎ অদুনি।

লৈবাক লৈশেল্লোনগা মীচম মীয়ামগী পুন্সিরোলগা অনি অসি মপু মনাইগী পুন্সিরোলদা হিংলি। মীনাই ওইরবা, মীখা থারবা লৈবাক অমগী পুন্সিরোল অসি অসুম্না খঙমিন্নবা নৈনমিন্নবা য়াই। অহানবদা লোয় চনশিনবা, অনিশুবদা শেল থুমগী ফিভমদা মীখা থানা তাঞ্জদুনা হিংবগী লিচৎ ওইহল্লকপা, অহুমশুবদা খুন্নাই মীয়ামগী পুন্সিরোলদা অনেম অৱাং লায়র ইনাকখুনবা খায়দোরকপনি। মীনাই ওইবা খুন্নাইগী নুপীশিংনা শেল থুমগী ফিভম শোল্লবা খুন্নাইদুগী নুপাশিংগা য়ুম্বানমিন্নবা পাল্লক্তে। (মথং মথং...)

## কোরকোম্না ওক্টোবর ১৫দা মণিপুর পুম্বা টোটেল শটদাউন লাউথোকখ্রে

হান্নগী মখা ... পব্লিসিটি কম্মিটি কোরকোমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা মখা তানা হায়রিবনা, মসিগী মথক্তা লৈবাক অমগী মীহুৎনা অতোপ্পা লৈবাক অমগা তৌনরিবা ত্রিটি, এগ্রিমেন্ট খুদিংমক মহাক্কী লৈবাক্কী নেসনেল পার্লিয়ামেন্ট অদুনা রেক্টিফাই তৌদ্রবদি ত্রিটি, এগ্রিমেন্ট অদু চৎনবা য়ারোই হায়না ভিসিএলতি ১৯৬৯ না হায়রি। মরম অদুনা নিংথৌ বোধচন্দ্রনা খুৎয়েক পীরুবা ইন্সত্রুমেন্ট ওফ এসেসন অমসুং মণিপুর মর্জর এগ্রিমেন্ট অনিমক মণিপুরগী নেসনেল পার্লিয়ামেন্টনা রেক্টিফাই তৌখিদবনা ত্রিটি অনিমক লিগেল ভেলিদিটি লৈতে। ১৯৪৭ গী আগষ্ট ১৫ দা মমাংগী ষ্টেটসতগী হেন্না ৱাংখৎতুনা সোভরেইন ষ্টেট ওইদুনা মণিপুর কন্সটিটুসনগী মখাদা মীয়াম্না খঞ্জবা নেসনেল এসেম্লি, ১৮ ওক্টোবর ১৯৪৮ তা ফম্বা হৌখিবদগী তশেংনমক্কী সোভরেইন ওইখ্রে। নিংতম্বা মণিপুবু ১৫ ওক্টোবর ১৯৪৯ দা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ফিবান মনুংদা লৌশিনখিবা অসিদা মাগী পোলিটিকেল ষ্টেটসতা অচৌবা অহোংবা লাকখ্রে। ইন্দিয়ানা মণিপুরবু এন্নেক্স তৌখি। এন্নেক্সেসন অদুবু মতম অদুগী মীয়াম্না খঞ্জবা লৈঙাক, চীং তম মীয়াম, পাটি কয়া লেফটিষ্ট মুভমেন্ট পুম্বনা থিংদুনা লাকখি। মদু ঙসিনা মণিপুরগী নীংতম্বগী থবক পায়খৎলিবা লুপশিংনা মদুগী মায়োক্তা লৈদুনা খুৎলায় পায়বগী ল াল চখরি।

অনিশুবা ৱারমদা হায়রিবনা, ইন্দিয়ানা মণিপুর লৌশিনখিবসি মালেমগী লৈঙাক পথাপ, চৎনলোন্দা চুম্রা চুমদব্রা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা ৱাহং অমা ওই। ইন্সত্রুমেন্ট ওফ এসেসন, ষ্টেন্দস্তিল এগ্রিমেন্ট, ইন্দিয়ান ইন্দিপেন্দেন্স এক্ট ১৯৪৭ না ষ্টেটকী মনিং তম্বা শোকহনবা লৈতে। ইন্দিয়ান ইন্দিপেন্দেন্স এক্ট ১৯৪৯ না ষ্টেটনা দোমিনিয়ন অনিগী মরক্তা অমদা এসেসন তৌবদা থিংবা তৌদে নৎত্রগা এসেসন তৌবদা মেন্দেট পীবা তৌদে। ইন্সত্রুমেন্ট ওফ এসেসন অদুনা মণিপুরগী হান্নদগী লৈজরক্লবা ষ্টেট কন্তিন্যুতি মাংহনবা তৌদে।

ইন্দিয়ানা এন্নেক্স তৌখিবা পুম্বা য়ুএননা য়াখিবা নত্তে। য়ুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিলনা ইন্দিয়ানা সেপ্টের ১৯৪৮ তা হাইদ্রবাদতা লান্দাবদু খন্ননবা নিজামগী ৱাকৎ অদু লৌরবা তুংদা নিজামনা ইন্দিয়াদা মায়থিবা য়াখিবদুদগী মখা তানা পায়খৎখিদ্রে। ইন্দিয়ানা জনুৱারি ১৯৬১ দা গোৱা লৌশিনবদু য়ুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিলনা চুমদে হায়রি। (মথং মথং...)

GOVERNMENT OF MANIPUR
PUBLIC WORKS DEPARTMENT

NIT/EE/NH-II/2026-27/02

National Highways Division No.-II, PWD, Manipur
Imphal, the 13th October 2026

The Executive Engineer, National Highways Division No-II, PWD, Manipur on behalf of the Governor of Manipur invites sealed item rate bids through manual tender from approved and eligible Contractors registered with PWD, Manipur for 1 (one) work under MH- 3054 amounting to Rs 31,81,848.21/-on NH-102 Imphal-Moreh section, Name of work:-" Repairing of damaged drain cover slabs and cleaning of the drain on eastern sides of NH-102 from Singjamei to Kakwa under PWD, NH-II, Division".

The procurement officer is Executive Engineer, National Highways Division No-II, PWD, Manipur. The tender details and documents shall be available from **14th to 16th October 2026** at the office of the Executive Engineer, National Highways Division No-II, PWD, Khoyathong, Manipur.

**Bid submission start date:- 14th October 2026, time 11:00 AM**
**Bid submission end date:- 16th October 2026, time 4:00 PM**
**Date of opening of Bid :- 20th October 2026 11:00 AM**
**Venue :- o/o Executive Engineer, National Highways Division No-II, PWD, Khoyathong, Manipur.**

WK/099/13

Executive Engineer,
National Highways Division No-II,
PWD, Manipur.

## ওক্টোবর ১৫দা নেসনেল ব্লেক ডে পাঙথোকমিন্নসি ঃ এন আর এফ এম

হান্নগী মখা... নেসনেল রিভোলুস্নরি ফ্রন্ট মণিপুর (এন আর এফ এম)গী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিতি সেক্রেটরি সনাজাওবা মৈতৈনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রিবনা, মতমদুদা শিল্লোংদা লাঙ্গোই চনশিন্দুনা থমখ্রবা মণিপুরগী নিংথৌবু কিহন্দুনা মর্জর এগ্রিমেন্ট অদুবু নমদুনা খুৎয়েক পীহনখিবনি। মালেমগী আইনগী চৎনা পথাপ (ইন্টরনেসনেল লো) বু কুপ্না নৈনদুনা য়েংবা মতমদা মণিপুর মর্জর এগ্রিমেন্ট অসি হৌবদগী লোইবা ফাওবদা পুন্নাল লাল্লে। ১৯৪৫ তা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী মেম্বর ওইখ্রবা ইন্দিয়ানা য়ু এন চার্তরদা য়াওরিবা প্রিন্সিপালশিংগী ৱাংমদা লৈবা য়াদে। য়ু এন চার্তরবু ইন্দিবা য়াদ্রবা ইন্দিয়ানা য়ু এন চার্তরগী আর্টিকল ২ (৪) বু খোঙ্গাওনদুনা মণিপুরবু নমদুনা লৌশিনখি।

য়ু এন চার্তরগী আর্টিকল ২ (৪) না হায়রি, ওল মেম্বর শেল রিফ্রেন ইন দিয়র ইন্টরনেসনেল রিলেসন্স ফ্রোম দি থ্রেট ওফ য়ুস ওফ ফোর্স এগেনষ্ট দি টেরিটোরিয়েল ইন্তিগ্রিতি ওর পোলিটিকেল ইন্দিপেন্দেন্স ওফ এনি ষ্টেট, ওর ইন এনি আদর মেন্নর ইনকন্সিষ্টেন্ট ৱিদ দি প্রোপোজেস ওফ দি য়ুনাইতেদ নেসন্স। আর্টিকল অসিদা পীরিবা পরিংগী ৱাংমদা য়ু এনগী মেম্বর ষ্টেট অমনা মনিংতম্বা লৈবাক অমগী লমখৈগী অপুনবা নত্রগা মনিংতম্বদা কিহনবা নত্রগা শক্তি শীজিন্নদুনা শিংনবা য়াদে হায়বসিনি। মসিনা হায়রি মদুদি ইন্দিয়ানা মণিপুর ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫ দা পুময়োৎ য়োৎশিনখিবা মতমদা ইন্দিয়ানা অরানবা মওংদা মণিপুরগী মায়োক্তা শক্তি শীজিন্নখি হায়বসিনি।

১৯৪৯ দা ইন্দিয়ানা মণিপুরবু লৌশিনখিবা (এনেক্সেসন) মতমদা আর্টিকল ২ (৪) অসি চৎনদুনা লৈরবনি। ইন্দিয়ানা মণিপুরবু লৌশিনখিবা অদু পুন্নাল লাল্লি হায়বসিনি। ( মথং মথং...)

## WAYEL SUDOKU

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | | | 5 | | | | | |
| | | | | | 4 | | | |
| | | | | | | | | 7 |
| | 1 | 6 | | | | 8 | | |
| 4 | | | 2 | | 7 | 5 | | 6 |
| | | 8 | 6 | | 9 | 4 | 3 | |
| | | 3 | | | | | | |
| | | | 9 | 4 | | | 2 | |
| 5 | 6 | | 7 | | | 3 | | |

**ACROSS**

1 Mardi Gras city (3,7)
5 Lowest part (6)
9 Object of amusement (9)
10 Dwelling (5)
11 Alphabetical listing (9)
13 Strangely (5)
14 Conjecture (9)
18 French port (2,5)
19 Makeshift (2,3)
21 Long-handled spoon (5)
22 Plane's personnel (7)
25 Kimono sash (3)
26 Heather genus (5)
27 African fly (6)
29 Drum kit accessory (6)
33 Was ill (5)
34 Tree of the olive family (3)
35 North African republic (7)
36 Stress (5)
37 Genuine (5)
39 Within, bound by two (7)
40 Racing sledge (9)
43 Louisiana cuisine (5)
46 Plum-like fruit (9)
49 Large residence (5)
50 St Petersburg's former name (9)
51 Telephone (4,2)
52 Compliance (10)

**DOWN**

1 Central American country (9)
2 Went quickly (5)
3 Trade ban (7)
4 Military greeting (6)
5 Purchaser (5)
6 Worked hard (6)
7 Computing unit (8)
8 Spiny wild shrub (5)
12 Dairy product (7)
15 Type of salmon (7)
16 Abduct (6)
17 Undeniably (7)
20 Lifting (8)
23 Attendance check (4,4)
24 Pitiful person (6)
25 Canada's capital (6)
28 Thin, bony (7)
30 Afflict, trouble (7)
31 Croatia's capital (6)
32 Liberating (7)
38 Remove moisture from (9)
39 Single man (8)
41 False courage (7)
42 Religious paintings (5)
44 Participate (4,2)
45 Las Vegas' state (6)
47 Put together (3,2)
48 Implant (5)




Owned, Published & Edited by Ningombam Hemantakumar & Printed by him at Hiyai Advance Offset Printers, Kwakeithel Thiyam Leikai, Email: wayelkati6@gmail.com Tel. No. 9856088733